# ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি –২০ ত্রোফি ২০১৮
## অল–অমিননা য়ূসিসিসিবু রন ২২ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ঃ

লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরক্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি–২০ লুৱাং পোকপা ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–সিগী লীগ মেটচ অমদা অল–অমিন লিলোংনা য়ুসিসিবু রন ২২ দা মায়থিবা পীখ্রে।



শান্নখিবা মেটচ অসিদা অল–অমিননা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ১২ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৮৫ লৌখি।

বেটচমেন মুজিবুরনা বোল ২৫ দা রন ২৯ লৌদুনা মেটচ অসিগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা ওইখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা য়ুসিসি গী রিপব্লিক ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি। অদুগা রাজ বাবুনা ৱিকেট ১ লৌখি।

অদুগী পাউখুমদা বেট্টিং তৌখিবা য়ুসিসিগী বেটচমেনশিং ওভর ১০.৩ দা ৱিকেট লোয়না তুদুনা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমদনা শুপ্নগী রন ৬৩ খক লৌদুনা লিলোং টিমগী মখুৎতা রন ২২ দা মায়থিখি।

য়ুসিসিগী বেটচমেন সতিসনা বোল ১০ দা য়াম্না থুনা য়াংনা রন ২৪ লৌবা ঙমখি। অদুগা রোসননা বোল ১২ দা রন ১০ লৌখি।

অল–অমিনগী বোল্লর সমির, অব্দুলা, নাওশৎ অমসুং শাফৱালনা ৱিকেট ২ /২ লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নগনি তৌরম্বা মেটচ অনী নোং চুবনা মরম ওইদুনা শান্নখিদ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা মেটচতা রেজ নাগামাপাল অমসুং এসএসয়ু শিংজমৈ শান্নগনি।

অনীশুবা মেটচতনা ত্রাউ ক্লাকৈথেল অমসুং পিএসসি খুয়াথোং অনীনা শান্নগনি অদুগা অহুমশুবা মেটচতা ফোর্স খেক্কিগাও অমসুং এসসিসিসি লম্বা তৌনরগনি।

# ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## সেকমাই এফসি অমসুং ৱাইদিসি অৱাং পোৎশঙবম খুনৌ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ঃ

ৱাইটর ক্লব অৱাং পোৎশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ –দিগী লীগ মেটচশিংদা সেকমাই এফসি অমসুং ৱাইদিসি অৱাং পোৎশঙবম খুনৌ মায় পাকপা ঙমখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সেকমাই এফসিনা কেৱাইদিসি কৈকোলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

সেকমাই এফসিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম ইবোমচানা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা, বিকাসনা শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা অমসুং এ কিনেসনা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনখিবা কিনেস অনীশুবা হাল্ফকী ৬০শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ ১ বুক তৌখি।

অতোপ্পা গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাইদিসি অৱাং পোৎশঙবম খুনৌনা এমৱাইএ লৈকিন্থবীবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

অৱাং–পোৎশঙবম খুনৌগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন বিক্রমজিৎ অমসুং দব্লিউ অবুলনা শান্নবগী ৩৩ অমসুং ৩৫ শুবা মিনটশিংদা চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা এমৱাইএগী এস জেমস রেফরিনা শান্নবা হেক হৌরকপগী অহানবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ –এগী লীগ মেটচ অনী শান্নগনি।

অহানবা মেটচতা এমএসএফসি হৈঙাং অমসুং কেএফসি কোন্থৌজম অনীনা শান্নগনি। অদুগা অনিশুবা মেটচতনা এফসি য়ুম্নাম খুনৌ অমসুং কেবিএসয়ু কংলা তোংবী অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# মণিপুরনা তামিল নাদুবু লাকচনা
## ৮–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ঃ

ওরিসাগী কট্টক্তা থা অসিগী ১দগী হৌদুনা চথরক্লিবা সব–জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মণিপুরনা তামিল নাদুবু য়াম্না লাকচনা গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ষ্টেট টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন প্রিয়াংকানা গোল ৪, এস লিনদা কোমনা গোল ৩ অদুগা এম জিনানা গোল ১ চনবা ঙমখি।

প্রিয়াংকাগী অহানবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফকী ৪৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মহাক্কী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৬৩ অমসুং ৬৫ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী মরিশুবা গোল অদুনা ইনজুরি টাইমদা চনবা ঙমখি।

জিনাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

লিনদা কোমনা শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা মহাক্কী অহানবা গোল চনখি। অদুগা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোলশিং অদুনা মেটচ লোইরমদাই ৯০শুবা মিনট অমসুং ইনজুরি টাইমদা চনবা ঙমখি।

নিংশিংবা য়াবদি ষ্টেট টিম অসিদা এল সিবানন্দনা কোচ, সি ঐচ কৈলানিনা মেনেজর অমসুং এন বিনিতানা ফিজিও ওইনা শরুক য়ারিবনি।

# নেরোকা এফসিগী ২০১৮–১৯গী
## প্লেয়র লিষ্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ঃ

ষ্টেট অসিদগী আই লীগতা শরুক য়ারিবা টিম নেরোকা এফসি সঙাকফমগী চহি ২০১৮–১৯ দা শরুক য়াগদবা টিম অসিগী শান্নরোই ২৩ খনখ্রে।

শান্নরোইশিং অসিগী মরক্তগী ফোরেন কন্ত্রিদগী লাকপা শান্নরোই ৩ অমসুং মপাল ষ্টেটতগী লাকপা শান্নরোই ১ য়াওরি।

ফোরেন শান্নরোইশিং অদুদি লিভেরিয়াগী কেল্লোন ভর্নি কে (দিফেন্দর), ওষ্ট্রেলিয়াদগী এরিন গ্লেন ৱিল্লিয়মস (মিদ–ফিল্ডর) অমসুং নাইজেরিয়াদগী ওদিলি ফেলিক্স চিদি (ফোরৱার্দ) নি।

অদুগা অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাকপা অদুনা অসামগী জেরি পুলম তে ওনেসেমস (ফোরৱার্দ) নি।

অতোপ্পা ষ্টেট অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা–ললিত থাপা, লোইতোংবম বিশ্বর্জিৎ, গোলমৈ দিহেম্পু রোংমৈ নি।

দিফেন্দরদা– মোইরাংথেম ধঞ্জয়, মোইরাংময়ুম অসোক, সেবাসিয়ন থাংমোনশাং, য়েনেদ্রম্বম দিনাচন্দ্র, ৱাহেংবম রোজেন, থোকচোম জোন্সন, চিংঙাখম রোসন, হুইদ্রোম নাওচা অমসুং এমদি অব্দুল সলামনি।

মিদ –ফিল্ডরদা– সিঙাম সুবাস, থাংজম সরন, অহোংশঙবম সুনিল, নাওরেম তোনদোনবা অমসুং সাইখোম রোনাল্ড নি।

ফোরৱার্দতা– তোংজম সুরজকান্ত অমসুং ঙাঙোম রোনাল্ড নি।

# চেংখু এফসি–বি না চান্দেল খৃষ্টিয়ান
## ৱাইসিবু অহৌবা নুমিৎতা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ঃ

ককচিং মোটোর্স অমসুং চান্দেল ফুটবোল ফ্রেন্দস অনীনা স্পোন্সর তৌদুনা তেল্লিয়ান য়ুনাইটেদনা শীদুনা চান্দেল খুলেন ভিলেজ গ্রাউন্দা পাঙথোকপা অহানবা সোক্কর ক্লব ৭ এ –সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নখিবা মেটচতা চেংখু এফসি–বি না চান্দেল খৃষ্টিয়ান য়ুঠ ক্লবপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চেংখু –বি গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দিবি অঙোলনা শান্নবগী ৪শুবা অমসুং ৩৩শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা দিবি রেংহোংনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ক্লব ৩১ দা শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা এক্সিভিসন মেটচ অমদা লিজেন্স ওফ চান্দেল ফুটবোল ফ্রেন্দসনা স্লাম্বর বুটপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। চান্দেল ফুটবোল ফ্রেন্দসকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পিএস বেকেন অমসুং দব্লিউ জিমসননা চনবা ঙমখি। অদুগা স্লাম্বর বুটকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এস আর জোইনিংঙমনা চনবা ঙমখি।




*কম্মন ৱেলঠ গেমসতা গোল্ড মেডল অনীরক লৌখ্রবী ষ্টেট অসিগী ৱেঠলিফটর খুমকচম সঞ্জিতা চানুবু দ্রগ শিজিন্নৈ হায়না মরালদা তাথোকখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা ককচিং খুনৌ বজারদা রেল্লি চংখিবা*




অদোমগী ইনকম টেক্স রির্তন নুমীৎসিদা নত্রগা মমাঙদা ফাইল তৌবিয়ু

ক্লিক তৌরো
অথুবীদা
খুদোংচাবীদা

৩১ জুলাই, ২০১৮

ওদিট তৌদ্রবসু য়াবা মীওইশিংগী অরোইবা নুমিৎ

ইনকম টেক্স রির্তন ই–ভেরিফাই তৌনবা
তোঙান তোঙানবা লম্বেল ৫

ইনকম ই–ফাইলিং তৌনবগীদমক্তা https://incometaxindiaefiling.gov.in দা লোগ ওন তৌবীয়ু

| নেট বেঙ্কিং শিজিন্নদুনা | বেঙ্ক একাউন্ট শিজিন্নদুনা | ডিমাট একাউন্দ শিজিন্নদুনা | বেঙ্ক ATM শিজিন্নদুনা | অধার OTP শিজিন্নদুনা |
|---|---|---|---|---|
| . নেট বেঙ্কিং একাউন্টতা লোগ ইন তৌবীয়ু<br>. "ই–ফাইল্লিং" লিঙ্কতা ক্লিক তৌবীয়ু<br>. ই–ফাইল্লিংপোর্টেল রি ডাইরেক্ট তৌরকপগা অদোমগী রির্তন সবমিট তৌবীয়ু /XML অপলোদ তৌবীয়ু<br>. ITR ভেরিফাইদ তৌরে | . ই–ফাইল পোর্টেল লোগ ইন তৌবিয়ু<br>. "প্রোফাইল সেত্তিং" খল্লো অদুগা অদোমগী বেঙ্ক একাউন্ট অদু প্রি ভিলিদেট তৌবিরো (অখন্নবা বেঙ্ক খরা খক্তদা ফংবা)<br>. প্রি ফেলিদেটেদ বেঙ্ক একাউন্ট শিজিন্নদুনা EVC ওইনা ভেরিফিকেসন মোদ খনবীরো<br>. অদোমগী রির্তন সবমিট তৌবিরো / XML অপলোদ তৌবিরো<br>. রেজিষ্টর তৌরবা মোবাইল নম্বরদা EVC রিসিফ তৌবিরো<br>. ই–ফাইল্লিং পোর্টেলদা অদোমগী EVC চংশিনবিরো<br>. ITR ভেরিফাইদ তৌরে | . ই–ফাইল্লিং পোর্টেলদা লোগ ইন তৌবীয়ু<br>. "প্রোফাইল সেত্তিং" সেলেক্ট তৌবিরো অদুগা অদোমগী ডিমাট একাউন্ট প্রি ভেলিদেট তৌবীরো<br>. ডিমাট একাউন্ট শিজিন্নদুনা "EVC" গুম্বা ভেরিফিকেসন খনবীরো<br>. অদোমগী রির্তন সবমিট তৌবীরো / XML অপলোদ তৌবীরো<br>. রেজিষ্টর তৌরবা মোবাইল নম্বরদা EVC রিসিফ তৌবিরো<br>. ই–ফাইল্লিং পোর্টেলদা অদোমগী EVC ইন্টর তৌবীরো<br>. ITR ভেরিফাইদ তৌরে | . অদোমগী বেঙ্ককী ATM দা অদোমগী ATM কার্দ ইনশিনবীরো<br>. "ই–ফাইলিংগী পিন" ক্লিক তৌবিরো (অখন্নবা বেঙ্ক খরা খক্তদা ফংবা)<br>. রেজিষ্টর তৌরবা মোবাইল নম্বরদা EVC রিসিভ তৌবিরো<br>. ই–ফাইলিং পোর্টেলদা লোগ ইন তৌবিরো<br>. "বেঙ্ক ATMগী খুৎথাংদা জেনরেট তৌরবা EVC" ভেরিফিকেসন মোদ খনবীরো<br>. অদোমগী রির্তন সবমিট তৌবিরো /SML অপলোদ তৌবিরো<br>. EVC ইন্টর তৌবিরো<br>. ITR ভেরিফাইদ তৌরে | . ই–ফাইলিং পোর্টেল লোগ ইন তৌবীরো<br>. "অধার OTP ভেরিফিকেসন মোদ সেলেক্ট তৌরগা অদোমগী রির্তন সবমিট তৌবিরো<br>. অধার লিঙ্ক তৌরবা মোবাইল নম্বরদা OTP রিসিভ তৌবিরো<br>. হায়রকপা মতমদা OTP ইন্টর তৌবিরো<br>. ITR ভেরিফাইদ তৌরে |

15401/13/0015/1819

অদোমনা অদোমগী ITR দু ITR-V গী হার্দ কোপিদা CPC, বেঙ্গলুরুদা থাদুনা ভেরিফাই তৌবা য়াই

য়েংবীয়ুঃ www.incometaxindia.gov.in www.cleanmoney.gov.in

@IncomeTaxIndia

"AAYKAR SETU" টেক্স পেয়র সর্ভিসেস মোদুল অমদি মোবাইল এপ্লিকেসন ডাউন্দলোদ তৌবীয়ু

ইনকম টেক্স ডিপার্টমেন্ট
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ ডাইরেক্ট টেক্সেস

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*